লোকদাউনগী কাঙলোন থুগায়দুনা স্কুল থোঙ হাংলবদি এক্সন লৌখৎকনি হায়না খঙহনখ্রে

SCHOOL CLOSED

দিমাপুর, মে ১১ (এজেন্সি): লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা থল্লিবা লোকদাউনগী কাঙলোন থুগায়দুনা স্কুল থোঙ হাংলবদি মতিক চাবা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎকনি হায়না নাগালেন্দ গভর্নমেন্টনা খঙহনখ্রে।

স্কুল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী প্রিন্সিপাল দিরেক্টর শানাবাস সীনা হায়খি মদুদি, হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা স্কুল থোঙ হাংবা হায়বসি লোকদাউনগী কাঙলোন ঙাক্তবনি হায়না লৌফম থোকই। লৈঙাক্কী স্কুল ওইরবসু নৎত্রগা প্রাইভেট স্কুল ওইরবসু লোকদাউনগী কাঙলোন ঙাক্ত্রবদি মতিক চাবা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎকনি। স্কুল খরদা তাঙ্কক নাইনা ক্লাস তৌবা হৌরগনি হায়বা রিপোর্ট ফংলবা মতুংদা শানাবাসনা নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা স্কুল পুন্নমক মখা তানা থোঙ লোন্নবা খঙহনখিবনি।

লৈঙাক্লা স্কুল হাংবগী মতাংদা ওফিসল ওইবা নোটিফিকেসন অমা থোক্ত্রিবফাওবা মমা-মপা ওইবশিংনসু মচাশিংবু স্কুলদা থারোইদবনি হায়রি।

অমরোমদা, নাগালেন্দ লৈঙাক্লা ক্বারন্টিন সেন্টর অনী হাংদোক্তুনা মপান্দগী হল্লক্কদবা মীওইশিং থম্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে। মেরিমাদা লৈবা বেসিক সর্ভিসেস ফোর অর্বান পুওর (বি এস য়ু পি) অমসুং কোহিমাগী রুসোমাদা লৈবা কে বদজেদা ক্বারন্টিন সেন্টর ওইনা শীজিন্নগদৌরি।

মপান্দগী হল্লকখিবা মীওই ২২ মেরিমা ক্বারন্টিন সেন্টরদা মাঙজেনৈনা থমখ্রে। ফমুং ৫৪৫ অমসুং ফমুং ২৫৪ তাবা ক্বারন্টিন সেন্টর অনীদা টোইলেট অমদি বাঠরুম য়াওজবা মরম্না মতম খরা ক্বারন্টিন তৌদুনা থমগদবা মীওইশিং থোইদোক্লা অৱাবা মায়োক্লরোই হায়রি।

ষ্টেট লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখত্তুনা লাকখি। ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ হেক শন্দোরকখ্রবা মতুংদা নাগালেন্দ লৈঙাক্লা মতিক চাবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা মরম্না হৌজিকফাওবদা ষ্টেট অসিদা কেস অমত্তা লৈত্রি।

কোভিদ-১৯ খঙদোক্নবা মোদেল শেমগৎলগনি

গুৱাহাতি, মে ১১ (এজেন্সি): ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি-গুৱাহাতি (আই আই টি-গুৱাহাতি)না সিঙ্গাপোরগী দ্যুক-এন য়ু এস মেদিকেল স্কুলগা খুৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯গী কেস চপ চানা খঙদোক্লবা মোদেল অমা পুথোক্কদৌরি।

রিছার্সরশিংনা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা শীজিন্নরিবা মোদেলশিং য়েংলগা চপ চাবা রিপোর্ট খঙদোক্লবগী মোদেল অমা শেমগৎনবা হোৎনখি। লোজিষ্টিক মেথদ অমদি এক্সপরিমেন্টেল মোদেল শীজিন্নদুনা কোভিদ-১৯গী চপ চাবা কেস মশিং খঙদোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকখি। মোদেল অসিগী মতুং ইন্না ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফম পুন্নমক মোদরেট, সিভিয়র অমদি কন্ট্রোল হায়না কেটগরি অহুম থোক্লা খায়দোক্লম্মী। হৌজিক-হৌজিক গ্রীন, ওরেঞ্জ অমদি রেদ হায়দুনা জোন অহুম খায়দোকপগী মহুত্তা কেটগরি অহুম খায়দোক্লগা চপ চাবা কেস মশিং খঙদোকপা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি।

ইন্টরিম প্রোটেক্সনগী মতম শাংদোকখ্রে

গুৱাহাতি, মে ১১ (এজেন্সি): রিপব্লিক টেলিভিজনগী ফাউন্দর অর্নব গোস্বামিদা সুপ্রিম কোর্টনা পীবা ইন্টরিম প্রোটেক্সনগী মতম শাংদোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা ফাইল তৌরকপা এফ আই আরগা মরী লৈননা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)দা থিগৎহনবীয়ু হায়না অর্নব গোস্বামিনা ফাইল তৌরকপা পিটিসন অমগী ৱায়েল পীদ্রিবা ফাওবা ইন্টরিম প্রোটেক্সনগী মতম শাংদোক্লগনি হায়রি।

পলঘার অমসুং বেন্দ্রাদা থোকখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিগী মতাংদা ৱাফম খরা ফোঙদোক্লু বগীদমক গোস্বামিগী মথক্তা এফ আই আর ফাইল তৌরকখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টতা পীশিনখিবা পিটিসন অমদা গোস্বামিনা হায়খি, ইচম চম্বা ৱাফম খরা ফোঙদোক্লু বগীদমক এফ আই আর ফাইল তৌরক্লিবসি পোলিটিকেলগী ইথিল চঙবা থৌওংনি হায়না লৌফম থোকই। মুম্বাই পুলিসনা মরম চাদবা মওংদা এফ আই আর ফাইল তৌবা তারবসু পুলিসনা ফাবা য়াহনবিগনু অমসুং এফ আই আর অদু চৎনহনবিগনু হায়নসু গোস্বামিনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখি।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা বি এস এফকী জৱান অনী দিসচার্জ তৌরগনি

অগরতলা, মে ১১ (এজেন্সি): ত্রিপুরাদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রবা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী জৱান ২ অথুবা মতমদা দিসচার্জ তৌরগনি হায়না ষ্টেটকী হেল্থ সেক্রেটরি এ কে রাকেসনা ফোঙদোকখ্রে।

বি এস এফকী ১৩৮ শুবা বট্টালিয়নগী পর্সনেল অনীমক হৌখিবা মে ১ দা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকখিবনি। হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়েংবদগী মখোয় অনীমক ফিভম ফগৎলক্লে।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী গাইদলাইন মতুং ইন্না অনাবা মীওই অমা করিগুম্বা মখলগী লাইওং অমত্তা উথোরক্তবা তারবদি নুমিৎ ১০ নি লায়েংলগা দিসচার্জ তৌগদবনি।

জি বি পি হোস্পিটালদা লায়েংলিবা বি এস এফ জৱান অনীসু লাইওং অমত্তা উৎথোরক্তবা মরম্না অথুবা মতমদা দিসচার্জ তৌরগনি। অদুমওইনমক দিসচার্জ তৌরবা মতুংদা মীওই অনীমক মখা তানা হোম ক্বারন্টিন তৌদুনা থমগদবনি।

বি এস এফকী ৮৬ শুবা বট্টালিয়ননা ঙাক শেল্লিবা ধলাই দিষ্ট্রিক্টকী গন্দাচেরা এরিয়াবু 'কন্টেনমেন্ট জোন' ওইনা লাউথোকখ্রবনি। বি এস এফ পর্সনেল কয়ামরুম কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী মফম অদুবু কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখিবনি।

ত্রিপুরাদা মথৌ পাঙথোক্লিবা বি এস এফকী জৱান কয়ামরুম কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপগী মরম খঙদোক্নবা ইনভেষ্টিগেসন চথৄবিয়ু হায়না ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন্না নেসনল সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল (এন সী দি সী)দা খঙহনখি। অথুবা মতমদা এন সী দি সীগী টিম অমা ত্রিপুরাদা থুংলরগনি।

অমরোমদা, ষ্টেট অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ১৬ থেংনখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবা অপুনবা কেস মশিং ১৫১ শুরে। ৱাফম অসি লাউথোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওই পুন্নমক ৮৬ শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফকী পর্সনেল ঙাক্তনি।

অং-অশাগীঈ পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৮.৫৭ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৩৪ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.১৭ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.৩২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪৯

Important Phone Nos.

RIMS	- 2414478
J.N. Hospital	- 2450385
DG Control	- 2450100

FIRE SERVICE

Imphal	- 101
Moirang	- 8415925197
Churachandpur	- 8415925191
Thoubal	- 8415925203
Kakching	- 8415925194
Jiribam	- 8415925193
Mayang Imphal	- 8415925196
Bishnupur	- 8415925190
Moreh	- 8415925198
Kangpokpi	- 8415925195
Ukhrul	- 8415925205
Senapati	- 8415925199
Chandel	- 8415925192
Singhat	- 8415925201
Sugnu	- 8415925202
Yairipok	- 8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	81.971786
US Dollar	75.783430
British Pound	93.232514
Australian Dollar	49.059743
Chinese Yuan Renminbi	10.683372
Japanese Yen	0.706129
Malaysian Ringgit	17.485202
Singapore Dollar	53.462459
South Korean Won	0.061905
Saudi Arabian Riyal	20.208915
Thai Baht	2.353938
Myanmar Kyat	0.05429
Bangladesh Taka	0.89316

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	46065.00
Mumbai	–	Rs	46117.00
Delhi	–	Rs	46075.00
Kolkata	–	Rs	46223.00

ষ্টেটকী পাউ

পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরগী মীওইশিং জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসন্দা য়ৌরক্লবা মতুং ইম্ফালদা পুখিনবগী থৌরাং খন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কমিস্নর ওইবদা নত্তনা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী চেয়রমেন ওইরিবা দল্লিয়ু মালেমঙানবগী ওফিসল রেসিদেন্সতা ঙসি জিরিবামগী এস পি, এম মুবি, এস দি পি ও, টি ঐচ সনাতোম্বা, ও সী, ও খোগেন অমদি ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ রাজেননা লুচিংবা টিম অমগা লোয়ননা মপান্দা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরদগী মীওইশিং জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসন য়ৌরক্লবা মতুং ইম্ফাললোমদা পুখিনবগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখ্রে।

জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা থুংগদৌরিবা মণিপুরীশিং মতৌ করম্না শোয়দ-ঙামদনা ইম্ফাল্লোমদা পুখিনবা তঙাইফদবা থৌরাংশিং লৌখৎনবগী মতাংদা য়াম্না কুপ্পা নৈনখি। ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা লৌগদবা থৌদাংশিংসু খঙহনখি। রেলৱে ষ্টেসনদা হৌজিক শেম-শাব লোইরবা মফমশিং অদুদা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী ভলন্টিয়রশিংনসু থৌদাং কয়া লৌগনি।

ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী জেনরেল সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখিবদা, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী দি সীগী য়ুমদা এস পি অমদি ওফিসল কয়া য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম্না মপান ষ্টেটশিংদা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরদগী মীওইশিংনা ট্রেনদা লাক্তুনা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা য়ৌরকপা মতমদা হরাও-তরাম্না ওক্লবগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখি। লাক্কদৌরিবা মীওইশিং নীংথিনা ক্বারন্টিন তৌদুনা লাক্লবা মীওইশিংনি। হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয় খূদিংমক্লা খঙমিন্নবগা লোয়ননা মশা-মশাগী য়ুমদা য়ৌহন্নবা ঐখোয়না পুন্না হোৎনমিন্নসি।

মপান ষ্টেট কয়াদা মতম শাংনা পন্দুনা লৈরুরবা মীওইশিং অসিনা মণিপুরদা য়ৌরকপা হায়বসি য়াম্না নুংঙাইবা মীকুপ অমা ওইগদৌরিবনি। মখোয়বু হরাও-তরাম্না ওকপীবা তাই। মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনসু নীংথিনা স্ক্রিনিংনচিংবা তৌদুনা য়েংগদৌরিবনি। মখোয় অসি হান্ননা ক্বারন্টিন তৌদুনা লাক্লবা মীওই ঙাক্তনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। তুংদা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী টিম অমনা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসন মনাক্তা হৌজিক শেম-শাদুনা লৈরিবা মফম অদু চৎতুনা য়েংশিনখি। মপান ষ্টেটশিংদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওইশিং ট্রেন তোংদুনা লাক্লগা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসন য়ৌরক্লবা মতুংদা মখোয়না লৈগদবা মফম অমদি তরাম্না ওক্লবা অমসুং ইম্ফাললোমদা হনবদা শীজিন্নগদবা গাড়ীশিংগী থম্ফমনচিংবগী মতাংদসু য়েংশিনখি হায়রি।

মেগাজিন, ইকো পব্লিকেসনগীদমক আর্টিকল থাবীরকউ : মুসু

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ২০১৯-২০ না এন্যুএল মেগাজিন অমদি ইকো পব্লিকসেন ২০১৯-২০ পুথোক্লবা শেম-শারিবা অসিগীদমক আর্টিকল/মেন্যু স্ক্রিপ্ট থাবীরকউ হায়না মুসুগী ফাইনান্স সেক্রেটরি খ্বাইরাকপম নবকিশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মুসু ২০১৯-২০গী মায়কৈদগী চহীগী মেগাজিন অমদি ইকো পব্লিকেসন পুথোক্কদৌরিবা অসিগীদমক মহৈরোয়শিং অমসুং রিছার্স স্কোলারশিংনা আর্টিকল/মেন্যু স্ক্রিপ্টশিং পি দি এফ, এম এস ৱার্দ, জে পি ঈ জি/জে পি জি (ফোটো ওফ হেন্দরিট্টন মেন্যুস্ক্রিপ্ট) মেল আই দি navakhwai@gmail.com নৎত্রগা ৱাটচএপ নম্বর ৮৮৩৭২৮৫৮৪০ দা চহীসিগী জুলাই ৩০ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবীরকউ। এন্যুএল মেগাজিনগী ওইনা ইংলিস, প্রোস, পোইট্রি, সোর্ট ষ্টোরি, মৈতৈ ময়েক্কী ওইনা ৱারেং, শৈরেং, অতেনবা ৱারী, মণিপুরীগী ওইনা ৱারেং, শৈরেং, অতেনবা ৱারী, দিপার্টমেন্টেল ফোটো ষ্টোরি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কম্ম্যুনিটি (টিচর এন্দ ষ্টাফ)শিংদগী স্কোলারলি কন্ট্রিব্যুসন, দিপার্টমেন্টেল এচিভমেন্ট ইন একাদেমীক এন্দ কোকরিক্যুলর এক্টিভিটিজনি। শৈরেংগী ওইনা লাইন ৫০ না মেক্সিমম ওইগদবনি। প্রোস অমদি সোর্ট ষ্টোরিগী ওইনা য়াল্লবদা ৱাহৈ ৪০০০ ওইগনি।

ইকো পব্লিকেসন সেক্সনগী ওইনা এসেদা ইংলিস, মণিপুরী, মৈতৈ ময়েক, ক্রিএটিভ নন-ফিক্সন, রিছার্স ৱার্ককী আর্টিকল, ক্রিএটিভ আর্টকী ওইনা পেন্টিং অমদি ফোটোগ্রাফিনচিংবা য়াওগনি। এসে, ক্রিএটিভ, নন-ফিক্সন অমদি আর্টিকলগী ওইনা য়াল্লবদা ৱাহৈ ৪০০০ ওইগনি। ফোটোগ্রাফিগী থীমনা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক, নেচর, ইনভাইরনমেন্ট, ৱাইল্ডলাইফ ওইগনি। কোভিদ-১৯গী লোকদাউন মনুংদা মহৈরোয়শিংগী এক্টিভিজমসু য়াওগনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ২০১৯-২০গী চহীগী ওইবা মেগাজিন ২০১৯-২০ অমদি ইকো পব্লিকেসন পুথোক্লবগীদমক মুসুগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না শেম-শারি। মসিগীদমক আর্টিকল অমদি মেন্যুস্ক্রিপ্টশিং থাবীরকউ হায়নসু মুসু ২০১৯-২০গী ফাইনান্স সেক্রেটরি খ্বাইরাকপম নবকিশ্বরনা ঙসি থোকপা নোটিফিকেসন অদুনা মখা তারি।

পি এম জে এ ৱাই কার্দ খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস): বি জে পিগী ৱার্কর ওইরিবা মেঙোর মঙাংগী মীৎয়েং মখাদা খাঙবোক এ সীগী মনুংদা লৈবা উয়াল ৱাংবলগী মীওই ৭৬ রোমদা পি এম জে এ ৱাই কার্দ খুৎশিন্নখ্রে। ৱাংবল পার্ট ৱানগী লাইকোলদা বেনিফিসরিশিংদা সোসল ৱার্কর অসিগী মচানুপা ডা. খুন্দ্রাকপম রোমেনকুমারগী খুত্থাংদা খুৎশিন্নখি। মেঙোর মঙাংনা ফোঙদোরকখিবদা, প্রাইম মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পীরিবা হকশেলগা মরী লৈনবা কার্দ অসি য়েন্থোকপনি।

জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজার্ভ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস): নোবেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) মায়োক্লনবা লৌখৎলকপা চেকশিন-থৌরাংশিংগী মনুং চন্না লোকদাউনগী খোঙজং চঙশিল্লকপদগী মসিগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মীয়ামদা ইসেন্সিএল কোম্মোদিটিশিং চুম্না য়েন্থোকপগী থবকশিং চত্থহনবীয়ু হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) নম্বর- ১১ ওফ ২০২০ গী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজার্ভ তৌখ্রে।

পি আই এল অসি হ্যুমেন রাইটস এলার্ট (ঐচ আর এ)না লুচিংবা পিটিসনরশিংনা ষ্টেট ওফ মণিপুর অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

ঙসি জষ্টিস লানুশুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিন অনীগী দিভিজন বেঞ্চ নম্বর-১ দা পি আই এল অসি লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখি। অদুবু কোর্টনা নাকল অনীগী কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারগা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজার্ভ তৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, পি আই এল অসিগা মরী লৈনবা এফিদেবিটশিং অমসুং মীয়ামগী ওপিনিয়নশিং কোর্টনা মাঙজৌননা লৌখৎখ্রবনি।

লৈমিন্নবা অমা কাপ্লম্লবা মতুংদা মশা মথন্তা কাপশিন্দুনা শিজখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১(ঐচ এন এস): চুড়াচান্দপুরদা লৈবা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী সবসিদ্যরি ট্রেনিং সেন্টর (এস টি সী) মনুংদা লৈবা বি এস এফকী হেদ কন্সটেবল অমনা মহাক্কা লৈমিন্নবা পর্সনেল অমা নোংমৈনা কাপ্লম্লবা মতুংদা মশা মথন্তা সর্ভিস নোংমৈনা কাপশিন্দুনা শিজখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ূক পুং ৯.৪০ রোম তাবদা চুড়াচান্দপুরগী এস টি সী কেম্পস মনুংদা লৈবা ৩১ শুবা বি এস এফকী আই জি দি কে ত্রিপাঠিগী রেসিদেন্টতা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা বি এস এফকী হেদ কন্সটেবল অদুগী মমিং বাল কিষন (৫২) কৌই। মহাক রাজস্থানদগীনি। মহাক্কী খৌরীদা নোংমৈ মরূ অমা ফাওদোকখিবগী দাগফম লৈরম্বা থেংনখি। অদুগা শোক্লবা বি এস এফকী পর্সনেল অদুনা রাজকুমার (৪৩) কৌই। মহাক ত্রিপুরাদগীনি হায়রি।

থৌদোক থোকফম অদুদা চুড়াচান্দপুর পুলিস অমদি ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিগী টিম লাক্তুনা য়েংশিনখ্রে। লৈখিদ্রবা বি এস এফকী হেদ কন্সটেবল অদুনা পায়রম্বা ইনসার্স রাইফল পুলিসনা লৌখৎখিবগা লোয়ননা চুড়াচান্দপুর পি এসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে। লৈখিদ্রবগী হকচাং অদু রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌননবা পুরকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন অৱাপল্লি লম্বীদা ঙসি অয়ূক মণিপুর পুলিসকী কন্সটেবল অমা শিরগা লৈরম্লে। লৈখিদ্রবা কন্সটেবল অদু ৱাবগাইদগী য়ুম্নাম বাসরাজ (২৬) অপোকপা ৱাই সমানন্দ কৌই হায়রি।

রিমসকী ও পি দিদা অহোংবা খরা লৈরে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচ এন এস): রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী ও পি দি সর্ভিসকী এপোইন্টমেন্ট লৌবগী মওং মতৌদা অহোংবা খরা লৈহনখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর সী ঐচ অরুনকুমারনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়, মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক মোবাইল ফোন খুথাংদা ও পি দি সর্ভিসকী এপোইন্টমেন্ট লৌনবগী খুদোংচাবা পীরি। হান্না মোবাইল নম্বর অহুমদা এপোইন্টমেন্ট লৌবা য়ারম্বদু অনৌবা নম্বর অনী হাপচিনবগা লোয়ননা মোবাইল নম্বর ৫ শুরে।

কনাগুম্বা মীওই অমনা ও পি দি সর্ভিসকী খুদোংচাবা লৌগে হায়রবদি নোংমা ৱাৎলিঙৈদা মোবাইল ফোনগী খুথাংদা এপোইন্টমেন্ট লৌগদবনি। বুক তৌখ্রবা মীওইশিংনা রিমসকী সিক্যুরিটিদা বুক্কিং আই দি উৎলগা ও পি দি সর্ভিসকী খুদোংচাবা লৌবা য়াগনি।

নৌনা এপোইন্টমেন্ট লৌনবগী মতাংদা পীরিবা মোবাইল নম্বরশিংদি ৭০৮৫৪০৬৩৮৫, ৭০৮৫৪০৬৪৩৩, ৭০৮৫৪০৬৪৬৮, ৬০৩৩৮৪৯৪৩৭ অমসুং ৬০৩৩৮৫৫৭০৮ নি হায়রি।

অমরোমদা, রিমস হোস্পিটালগী ফ্লু ক্লিনিক্তা মথৌ তৌরিবা রেসিদেন্টশিং মশা-মশাগী মোবাইল ফোনদা আর টি-পি সী আর এপ্লিকেসন দাউনলোট তৌরগা রেজিষ্টর তৌগদবনি হায়না খঙহল্লক্লি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী গাইদলাইন মতুং ইন্না কোভিদ-১৯গী চিংনবা মীওইশিংদগী সেম্পল লৌবদা আর টি-পি সী আর এপ্লিকেসন শীজিন্নদুনা এস আর এফ মেনশিনবা মথৌ তারে।

রিমসকী ফ্লু ক্লিনিক্তা মথৌ তৌরিবা রেসিদেন্ট পুম্নমক্লা কাঙলোন অসি ঙাক্লা চৎকদবনি। চয়োল অমগী মনুংদা আর টি-পি সী আর এপ্লিকেসন শীজিন্নবা হৌরগনি হায়রি।

পোর্টেবল ভেন্টিলেটরশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১(ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ থেংননবা ষ্টেট লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ঙসি তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল মঙাদা থম্ননবা পোর্টেবল ভেন্টিলেটরশিং য়েন্থোকখ্রে।

ওল্দ সেক্রেটরিয়েটকী সাউথ ব্লোকতা লৈবা মিনিষ্টরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা থম্ননবা ভেন্টিলেটরশিং মমাংথক্তসু য়েন্থোকখিবা লৈরে। ঙসি অমুক ফেরজোল, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, কামজোং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টকী সী এম ওশিংদা ভেন্টিলেটরশিং অসি খুৎশিন্নবনি। ঙসি য়েন্থোক্লিবা পোর্টেবল ভেন্টিলেটরশিং অসি মল্টিপর্পজ ওইনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা শীজিন্নগদবনি। ভেন্টিলেটরশিং অসি এম্বুলেন্সতা, হোস্পিটালদা নৎত্রগা মথৌ তারক্লবদি য়ূমদসু শীজিন্ননবনি।

মিপাইনিংঙাই ওইরবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ থেংননবা হোৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা মীওইবগী পূন্সি কনবদা শীজিন্নগদবা মেদিকেলগী খুৎশু-খুৎলায়শিং অসি অদুক্কী মতীক মথৌ তাই। মসিগীদমক হেল্থ দিপার্টমেন্টনসু ষ্টেট অসিদা লৈরিবা হোস্পিটালশিংদা মথৌ তাবা মেদিকেলগী খুৎশু-খুৎলায়শিং হান্না লৈরম্বা চাংদগী মশীং হেনগৎনা লৈহন্ননবা হোৎনরি। হীরম অসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রদা খঙহনখিবসু লৈখ্রে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পোর্টেবল ভেন্টিলেটরশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কে রাজো অমদি ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

গুৱাহাতিগীদমক লমথাখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস): মপান ষ্টেটশিংদা পন্দুনা লৈরিবা নম্বোল এ সীদগী মীওইশিং অহানবা তাঙ্কক্কী লৌথোকপা চৎনবা এ সী অসিগী এম এল এ, এন লোকেনগী লমজিং মখাদা নম্বোল ব্লোক কোংগ্রেস ওফিসতা থৌমীশিংগা লোয়ননা ব্লোক অসিগী প্রসিদেন্ট এন লোকেন্দ্রোনা গুৱাহাতিগীদমক গাড়ী লমথাখ্রে হায়না নম্বোল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

শরুক য়াররোই

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস): খুরাই চাইথবী লৈরক থিংগনি হায়না লাউথোকখিবা অদু চাইথবী লৈরক দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমদি চাইথবী লৈরক ময়াই লৈকায় ৱিমেন সোসাইটি মৈরা পায়বীগা পুন্না খন্ননৈনরবা মতুংদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লম্বী থিংবা অসি মতম খরগী ওইনা শরুক য়াররোই হায়না ৱারেপ্পরে হায়না কম্মিটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

CROSSWORD-3442



ACROSS

- 1 Largest of the planets (7)
- 5 Married women (5)
- 8 Felt concern (5)
- 9 Go before (7)
- 10 Cockney thief (3,4)
- 11 Monarchs (5)
- 12 Something uncommon (6)
- 14 Road-surfacing material (6)
- 18 City in Majorca (5)
- 20 Afterwards (5,2)
- 22 One of the gospels (7)
- 23 Evade (5)
- 24 Teams (5)
- 25 Stories (anag) (7)

DOWN

- 1 Sailor (4,3)
- 2 Windproof jacket (5)
- 3 Neatest (7)
- 4 Swindle (3,3)
- 5 Destroy (5)
- 6 Country of south-east Asia (7)
- 7 Appears to be (5)
- 13 Akin (7)
- 15 Female thespian (7)
- 16 Competition (7)
- 17 Bloom (6)
- 18 Mountain lions (5)
- 19 Dull persistent pains (5)
- 21 Itinerary (5)

Solution 3441

S	I	C	I	L	Y		U	T	O	P	I	A
H		O		U				R		I		G
A	P	R	O	N		C	O	U	R	A	G	E
N		S		C		H		M		N		N
D	R	A	C	H	M	A		P	R	O	U	D
Y		I				M		E				A
		R	E	G	R	E	T	T	E	D		
I				O		L				I		J
N	O	T	E	S		E	M	B	R	A	C	E
S		I		L		O		I		M		R
T	E	N	S	I	O	N		R	O	O	K	S
E		G		N				T		N		E
P	L	E	D	G	E		S	H	O	D	D	Y

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3241

								1
	8		2					5
7	1			3			8	2
	4			5			1	
	2	8	9		1	4	6	
	9			8			2	
8	7			4			5	6
3					5		7	
9								

Solution-3240

2	7	1	3	5	6	4	9	8
8	6	9	1	7	4	3	2	5
5	3	4	8	9	2	7	6	1
1	4	3	6	2	7	5	8	9
6	9	2	4	8	5	1	3	7
7	5	8	9	3	1	6	4	2
4	8	6	7	1	9	2	5	3
3	2	7	5	6	8	9	1	4
9	1	5	2	4	3	8	7	6

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers



অসিজোলনেং

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম


অসিজোলনেংনা হিংচাবীদু হিকপি কাইবদা হিকপী অচৌবা ঙাক্তা থেংনরম্মী।
ঈ! হিকসিদি চাওখ্রেদা।
ইতা নঙগীদি হিক অমত্তা লৈতেদা।